[illegible] ইরৈবাক

ইম্ফাল, জনুৱারী ১৪, ২০২২

ড্রাইভর্স দে না লাকপদা

কুম খুদিংগী জনুৱারি ১৪ অসি 'ড্রাইভর্স দে' হায়না থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। গাড়ী থৌবগী শিনফমদা লৈরিবা লন্নাই লুপশিংনা শিন্দুনা ঙসি ৩৩ শুবা ড্রাইভর্স দে গী থৌরম মফম কয়াদা পাঙথোক্কদৌরি। শিনফম অসিদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপা অমদি লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা লুপশিংগী মাইকৈদগী অঙম্বা মতেং পিবনা ড্রাইভর্স দেগী থৌরম অসিগী মপুং ওইহা পান্দম ওইরি। ড্রাইভর্স দে না লাকপদা গাড়ী ড্রাইভরশিংনা মনিপুর মীয়ামগীদমক লৌরিবা থৌদাং অমদি মখোয়গী থৌনা লীংজেল নৌহৌননা নিংশিংহল্লি। অদুবু চহি ৩৩ মপুং ফাজিল্লক্লবা ফাওবসিদা ড্রাইভরশিংনা মীয়ামগী সেবাদা থেংনদুনা লাক্লিবা খুদোংচাদবশিংদি ঙসি ফাওবা অদুম্মক মায়োক্লদুনা লৈরি। ড্রাইভরশিংগী অশোয়-অঙাম থোক্তনবা লৈঙাক্লা থবক লৌখৎপা ঙমদনা লৈরি। মনিপুর ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক চিদাইদা লম্বী থোংগী ফিভম য়াম্না ফৎত্রিবা লমদম অমনি। চীংনা পুমকোই কোইশিনবা লমদম ওইবনা লম্বী-থোংগী ফিভম খুদোংথিনিংঙাই ওইরি। লমদমসিগী মীয়াম্না নোংমগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা হোৎনবদা গাড়ী দ্রাইভরশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। তঙাইফদবা পোৎলমশিং মনিপুরগী মপান্দগী পুশিল্লত্তুনা শিজিন্নরিবনি। পুশিল্লক্লিবা পোৎলমশিং গারি ড্রাইভরশিং অসিননি। রেলগাড়ীদা, ঈশিং লম্বীদা অমদি নোংথক লম্বীদা পুশিল্লকপা নত্তে। দ্রাইভরশিংনা নুমিৎ নিনি হুম্নিদং ষ্টিয়ারিং থাদোকখিবা মতমদা মনিপুরগী মীয়াম হা-কার লাউবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি।

মনিপুর মীয়ামগী লাইফ লাইন্নি হায়রিবা নেস্নেল হায়ৱে নম্বর টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী অমদি নেস্নেল হায়ৱে নম্বর কুন্থ্রাতরেৎ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ফিভমদা নোংজু নুংশা অমদি অয়ুক নুংথিল খায়দনা গাড়ী থৌদুনা মীয়ামগী সেবা তৌরিবা ড্রাইভর অমদি হেন্দিমেনশিংদা মাইকৈ কয়াদগী মখল কয়াগী মীওৎ-মীনৈ চথ্খদুনা লাক্লি। ড্রাইভরগী শিনফমদা লৈরিবশিংবু য়াম্না হন্থবা মীৎয়েংদা য়েংদুনা মীওৎ-মীনৈ চথ্খবা, হাৎপা তুপ্পা ফাওবগী থৌওং চথ্খরকপদা পেন্নদ্রবা ড্রাইভরশিংনা কুম ১৯৯০ গী জনুৱারি ১৪ দা মখোয় মখোয়না থৌরিবা গাড়ীশিং কোইরেঙ্গৈগী অরিবা এয়ারফিল্ডদা থৌজিল্লগা ষ্টিয়ারিং পায়দবগী খোঙজং চংশিনখি। নুমিৎ অসিদগী মনিপুরদা দ্রাইভর্স দে পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মনিপুরগী নেস্নেল হায়ৱে অনি অসিদা গাড়ীগী মীওই কয়ানা মখল কয়াগী খুদোংথিবা মায়োক্লদুনা পুন্সি পিখম্নহনখিবা অমদি পুন্সিগী ওইনা ফিভম চাদবা মায়োক্লদুনা লৈবা য়াওরি। লম্বী থোং ফত্তবগী চখোক চৎশিন্দা অৱাবা কয়ামরুম মায়োক্লরিঙৈ চৈরক্তা কা হেনবা মীওৎ-মীনৈ, পুবা থাংবা ঙমদবা দিমান্দশিং মায়োক্লরি। তম্বা ঙমদ্রবা ড্রাইভরশিংগী পুন্সিদা থোক্লক্কদব খুদোংথিবশিংদগী কন্নবা হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স লৈঙাক্লা লীংদুনা মনিপুরগী নেস্নেল হায়ৱেশিং নিংথিনা ঙাক শেন্নবা থৌরাং পায়খৎনবা হোৎনদবসি লাইবক থিবনি। হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স লীংদুনা নেস্নেল হায়ৱেশিং ঙাক-শেন্নবা মীয়াম্না তকশিন্দুনা লাক্লিবনি। ড্রাইভর্স দে না লাকপসিদা লৈঙাক্কী মাইকৈদগী ড্রাইভরশিংগী য়াইফ থৌরাংশিং থবক ওইনা পাঙথোকপা চুমগনি।

মহা পাপ্পিগী মচা ওইদনবা

হেমজিৎ ইরোম্বা

হিংবদা নুঙাইনা হিংগদবা মফমসিবু কদায়দা লৈরমগনি? থিদু-হুমদুনা থিরুবদা ফংগদবা মান্দ্রবনি। নুঙাইবা পান্বা মীওই খরা নৎতনা মীওইবা খরদি মাগী পোক্লফম লমদম লমনুংশি, পোকফম শাৎফম মফমবু করম্না থাদোক্কনি খন্দুনা ৱারবসু ৱানা হিংদবা য়াদনা হিংখিগনি খন্দুনা শিখাং খাঙদুনা ঙসি ফাওবা অহোংবা লৈতনা হিংলি। মসিগী খল্লুরবদি ইপুনাৎ ইপানাৎপু ঙাক্তবা য়াদে খনবা ৱাখল মীওই খুদিংদা থোকপদি নৎতবনি।

পুকচেল লেপ্পা ঙমদবা কনা কনাগুম্বা খরদি অদুম্মক য়াওদবা লৈতবা নত্তে। ঙসি কয়া য়াম্না পুন্সিগদবনো মশা মশানা খঙজদ্রবা তাইবং মীওইবনা মাগী ঈ মরিবু নুংশিনবা ঙমদনা হিংদবা য়াদনা হিংবা অসিগুম্বা মীওইদু মাগী অততাই লাকপদা মাগীদমক কনা অমত্তা লাক্কদবা নত্তে। মতমদু লাকপদা মশা মথন্তা করিনুংগীনো খন্দুনা নিঙমদবা শোয়দনা লাক্কদৌরিবনি। মীওইবনা হিংদবা য়াদনা হিংবসিদা মশা মথন্তা হিংগনি খল্লিবা মহাক অদু অৱাবা খরদি শোয়দনা মায়োক্লগদৌরিবনি। কনা কনাগুম্বনা খনবদা অচুম্বা ওইবা খরসু য়াওদবদি নত্তে। মী অমা ওইনা হিংবদা নাতে পুতে চাদ্রিবা মখৈদি মরুপ মপাং, শাগৈ নাতৈ, মরি মতা নিংশিংলুবগী কান্নবা থোইদোকপা নত্তে। মসি অরানবদি নৎতবনি।

মীদুনা মতিক চানা হিংলবদা হায়রুবা তৌদনা মরুপ মপাং, মরি মতা শাগৈ নাতৈ শোয়দনা ৱাৎলোই। মসি থাজবা য়ানা অদুম্মক ওইদৌরিবনি। হিংলিঙৈ মতমদা য়ুমথংনবা মচিন-মনাও ফাওবনা নুংশিনবা লৈত্রবা অদুম্বা মীওইদুনা করিগুম্বা মতমদা তাইবঙপান থাদোকখিবা তারবা মাগী মনাক চঙলক্তুনা নুংশিনা পিরাং শিন্থনা অৱাবা শরুক য়ারবা মসিমা থাজবগী ৱাংমদা শোয়দনা অদুম্মক লৈরগদবনি। চৎনবীগী মতুং ইন্না অশিবা হকচাং অদু ফাওবা শিরিবা মফমদগী থাংদোকপীনবা মী লৈত্বা মসিমক য়াওদবা নত্তে, য়াওরিবনি। মসি কনাদসু তাইনরুবা য়াবা নত্তে। মানা হিংলিঙৈদা মানা তৌজরম্বা থবক্কী মহয়নি। কনাদসু ৱারৌরুবা য়াবা নত্তে।

মসিগী মতাংসিদনি শিরগা খঙগনি হায়না অহিংবা ঐখোয়গী ইরক্তা করিগুম্বদা ঙাংনরিবা...। নুংশিৎ শিৎতনা উনা লেংদে। মীয়াম্না হায়নরিবা অরানবা ওইহনবগী মচাক লৈতবনি। মতম অয়াম্বদা মীয়াম্নবু ঙাংনরবা অচুম্বা খরদি অদুম্মক য়াওদনিঙাই লৈরোই। মানা অঙাংনি, ঐনা মঙোন্দা চহি ওন্থোক্লা হনখ্রপোৎনি। চহি য়াল্লবনিনা তাইবঙদা কুইনা লৈগদবা মানদে, নহা নখোয়দি চহি নৌরিবনিনা হিংগদবা চহি য়াম্না লৈরি। ৱাফম অসিমক মীৎয়েংদা থেঙনবদা, হায়নবদা থাজবা ওইরবসু ইথা থাজদবা অমদি মরক মরক্তা অদুম্মক থোক্কদৌরিবনি।

চহি হৌরকপদা হিংবা য়ানা মশা মউ ফনা কুচু কুমেন নিংথিজনা লৈরম্বা মহাক অদুসু থাজদবগী ৱাংমদা তাইবঙ চেংজেল লোইখিবা, মাবু পোকপা অপোকপিনা কয়াগী মতিক পেঞ্জদবা ময়াওই, পুম্নমক কনাদবু তাইনগনি। তাইনফম খঙদনা হিংলম্বা মাবু নিংশিং নিংশিং পিরাং শিন্থবা নৎতনা অতোপ্পা উপাই লৈরোইদৌরিবনি। তাইবঙ মীওইবা অমা ওইনা ঐখোয়না হিংলিঙৈদা অমগা অমগা নুংশি চানননা লৈবা মসিমক হোৎনবদা শোয়দনা ঙমগদৌরিবনি। য়ুম থঙনরগা কৌনা ঙাংনদবা, থৌদোক ৱাথোক ফাওবা বার্ত্তন তৌনদবা মসিমক অচুম্বা হায়বদুমদি ওইদ্রবনি। মসিগুম্বা মীওইশিংদি মমা মপা, মচিন মনাও ফাওবা কৌন-ঙাংনদবা, লৈরিবা য়ুমদু ফাওবা খাজিন্নদুনা লৈনবা য়াওনরিবনি। মসি মুন্না খল্লুবদি করিনি হায়গনি। তাইবং মীওইবগী মনুংদা নুংশিনদবা হায়বসিমা লৈরমদ্রবা কয়াদা ফগবনো। মসিনা পল অমা খাবসিদি নৌরিঙৈগী মতমদদি ৱাখল নুঙাইজরম্বা ওইরবসু কুইরল্লবা মতমদা করি নুংগীনো খল্লকপসু য়াওদি য়াওরিবনি।

মাবু পোকচবা মমা মপা ফাওবা তোঙান লৈহন্দুনা, তোঙান পিজদুনা নুংশিবা মচেৎ অমতা য়াওদনা, মমা মপা অনিবু পেঞ্জদবনা লেঙ্গোই চলহনবা মসিসু মচা কয়াগী মনুংদা ফোং ফোং শানা য়াওদবা লৈতবা নত্তে। মীৎনা উবা লাইদি মমাগা মপাগনি হায়নবা অসিগুম্বা থাজবা য়াবা ৱাফম, মখোয়গী মফমদা মচেৎ অমত্তা য়াওদবা ওইনা য়াওনবা কয়া অমনি। ময়ুম মকৈ পান্দুনা মচা পোক্লবা মতুংদদা মমাবু মপাবু ইন্থোকপগী মওংসি মশিং অয়াম্বা ওইনা পাঙথোক্লবা য়াওরক্লে। মাগী মচাদুনা করিগুম্বা চাওবা মপুং ফারক্লবা মতমদা মতমগী মতুং ইন্না য়ুমলেপ চার তন্নক্লবা মতম, চেঙ পুরগা ফৌ শিংবদি য়াদবনিনা খুলং লমন লাক্তনিঙাই লৈরোই।

মসিগুম্বা থৌদৌসিদি চহি খরা য়াম্না পুন্সিবা মীওইশিংদি শোয়দনা থেঙনগদৌরিবনি। মতম পুঙকুই কুইগদবা নত্তে। মতমদু লাকপদা মপুক্লিংদা মসিমদি শোয়দনা খন্দৌরিবনি। ঐনা তৌবনা ঐনা ফংবা, মীনা তৌবনা মীনা ফংবা মসিমক্লি। কুইদবনি শাংদবনি মতমদু শোয়দনা অদুম্মক লাক্কদবগী শেম শাদুনা লৈরমদৌরিবনি। মমা মপাবু মীৎনা উবা লাইনি খল্লিবা মচা ওইবা কয়া মখোয় মখোয়না চৎথোক খোৎতোকপদা মায় পাক্তনিঙাই লৈরোই। নৌনা তাইবংপান থাদোকখ্রবা মমা মপা অনিবু থম্মোয়নুংদা চেৎনা থাগোন্নবদা মতু তুবুম শোক্কদবা য়াওরোইদৌরিবনি।

মতম অসিগী মীওইনা হিংনরিবা মীওইবা কাঙলুপসিদা না-পু তাদবা, লমচৎ ব্যবহার মথোং হুক্তবা, চাহৈদবা চীঞ্জাক চাশিনবা, নিষাদা লৈজবী থাবা মসিগুম্বা মীওই কয়া য়াম্না লৈরমগনি। মশিং থিদুনা য়েংবদা শোয়দনমক্কী মশিং শাথিনা য়ামগদবা মাল্লবনি। হিংদনা হিংগে নিংলবদি মীওইবা অমা ওইনা থক্সি খাসি, লমচৎ শাজৎ চৎনবী ময়াম অমা লৈরিবসিগী মনুংদা লোইনমক ঙাকলুদ্রবসু মরু ওইবা খরদং ঙাকপদা মথক থোংবা মখা থাবা অমতনসু নুংশিদবা তৌররোইদবনি। মীনা মীবু নুংশিহন্নবা হোৎনবসি মীওইদুদা লৈরে।

নহাক্লা মাবু নুংশিনা তৌবদা, মানসু নহাকপু শোয়দনা নুংশিনা তৌরক্কনি। মসি খঙলবসু থবক ওইনা পাঙথোকপদি পঙয়াম য়াম্বা নত্তে। থাঙ্গৈমক শেংনা মাবু পোকচবা অপোকপা অপোকপী অনিবু ইন্থোক্তুনা তোঙান লৈহনবগী থবকসিমা লৈকাইনা মহাকপু নুংশিবদি লাইরদুনা মমাঙদা করিগুম্বা অমত্তা হায়বা ঙমদ্রবসু মতুংদদি ফনা ঙাংনবদি লাইরদুনা নারোন্দা তিল শিংকদৌরিবনি। নহা অহন কয়াম কুইনা হিংখিদৌরিবা খঙবা ঙম্বা নত্তে। পোক্লগা নোংমদি শোয়দনা তাইবঙপান থাদোক্কদবনি। মসিবু কাওথোক্তুনা হিংগনি হায়বগী আশা অমা লৈরকপসিমা য়াওদবনি হায়বা য়ারোই। নুংশিবা! মসিদগী হেনবসিবু কদায়দা লৈরিবগে? নুংবু নুংশিনরবা মনা ফাওবা লৈদুনা শিজিন্নবদা করিসু হায়রক্লোইদবনি। মৈরৌ হেঞ্জিন্দবা মচা ওইদনবা হোৎনসি।

তরেৎখুলগী খোঙচৎকী মতুংদা

(নুমিৎ তাখ্রবা মতুংগী মঙাল)

জনুৱারী ৭ গী মখা চথ্খরকপা

নুমিৎ অদুগী মমাংফাউবদদি লাইগী নোংদম্মনি হায়গদ্রা পাবুং ইবোহলগা ঐগা হায়নখিবা ৱাফম, থানখিবা পুংফম অমুক্তা শোয়নখিদ্রি। অমরোমদা মতমগী ৱাফম নত্তনা লনাই ওইবা ৱাফম অমত্তদি মহাক্কী মফমদা হৌদোকখিদ্রি। অদুগা মহাক্লা চথ্খরিবা ৱারী পরিং অসি ইবগী মতাংদা অমদি অতৈ চামিন-থকমিন্নবগী মতাংদা মহাক্লা হায়বিরকখিবা পূম্নমক অমুক্তা মাই হায়বা য়াওখিদ্রি। তৌবতদি পূম্নমক অসি মীতোপ অমত্তা য়াওবা নত্তে, মহাক্লা ঐখোয়নিখক্তগী প্রোগ্রামনি। অদুবু ডিসেম্বর ১৭ য়ৌশিল্লকখি। হায়দোকখিবা মতুং ইন্না অয়ুক অমদি নুংথিলদা চৎখিদ্রে। নুমিৎ য়ূংবা মতুং য়ূমদগী থোক্লমদাইদা খনজানখি, করম্বা ফিজোল শেৎকনি। থোইদোকপা অখন্নবা ফুরিৎ খোংগ্রাও লৈবা নত্তে। মহৌশা মহৌশাগুম জিন্সকী খোংগ্রাওদুমা শেৎলে। ফুরিৎতি মরোল অনী অহুম লীৎলগা মথক্তা জেকেৎ অমা লীৎশিল্লে। খোংদা মোজাদি হাপ্পী হায়ববু খুগ্রাংদুদি অদুম তোংলে। নুমিদাংনিনা থোইনা খনলুদ্রে।

লাকচরোই হায়দোকপসু ঙমদ্রে। রিটায়ার্ড কম্মিশ্নার (আই এ এস) অমগী নোংমা চুপ্না পাঙথোকপা বার্থ ডে সেলেব্রেসন পোকপদগী য়াওরক্ত্রি। করি খুদোল পীনবগে খংদে। খংদবদুদি থোইদোক্ত্রে, মরমদি মদু লৈনবা ঐগী এক্সট্রা বজেৎ লৈজদে। অমরোমদা সুম-সুম্বা অমা চৎতৌরি-খোৎতৌরি কমদৌবগে হায়না হংলুদৌবসিবু কনাদনো? ইতাও থোইবা মঙাইরে। অদুবু মঙোন্দা হৌদোক্লুবা হায়বসি ৱা-ৱা লাওরকপগীদি লাইবু লাইরি, মানা লেকচর তৌথরক্কদবদু খল্লুবদা করিমত্তা হৌদোকত্রে। নিতিগী পাঙথোকফম থোকপা ইথৌ হৌখি। পূক্লিং লৈতাবা হায়বদুদি ওইখিদবনি। থোক হেক তোকথোকপদি করি কায়বা, ঐগুম্বা কনাবু য়াওরমগদগেনে, চংলু-য়াওরুরগা ঐনা হায়রুগদবা তৌরুগদবসিনা করিনো কোক মচাসি পুমলাং লাংই।চৎপদদি মতারবনি।

পুং মাপল মখায় তাশিল্লকপদা ইথৌদি লোইরে। কনামত্তা করিমত্তা হায়রমদনা মহৌশা-মহৌশাগুম ওফিসতগী থৌদোরকখি। ময়ায়কোয়বী য়ৌরে। মহৌশাগা মান্নদে থোঙ্গাল পুমহাং হাঙদোক্লম্মী। শুমাংদা, থোঙ্গাল ৱাংমগী লম্বী মতাইদা কার পরেং পরেং খামদুনা লৈরম্মী। শুমাং-মাঙ্গোল পুমঙাল ঙাল্লি। ইমুংদা, ডলাল মথক্তা মী লাংবগী মখোল তাই। শুমাংদদি কনামত্তা লৈবা উদে, চেক-মোক লাউদে। শুমাংগী মচি অমদা গাড়ী মচাদু খান্নগা শুমাং ময়ায়দা ঈশিংদা তারুরবা হূইনাওমচাগুম কিরুপ কিরুপ য়েংদুনা লেপ্তুনা লৈখি। খংন-চান্নবা কনামত্তা য়াওরমগদবা নত্তে। অদুগী মথক্তা ইমুংদুসু গ্রাউণ্ড ফ্লোরদা লৈরিবা কা অনীদগী হেন্না অমুক্তা চংলকখিদ্রি। কমদৌনা গ্রোং গ্রোং হেক চংলুদগেদো। ফোন তৌসি কদাই, তৌরোইসি কদাই উংজা পুদুনা লেপখি। 'লাক্লমদবনা হেন্না ফরম্বজাৎনি, ইতিক-ইপা চাদনা ডোলাই তোংনিংলুবা হায়বদুনি' খল্লকই। পূক্লিং নুংশিরকখি। করিমত্ত হায়রমদনা থোকখ্রসিরা খনখি। অদুবু লাক্লম্মী হায়বা ফাওবদি খংহন্নিংখি।

ৱারেপ লৌবা ঙমদনা লৈরিঙৈদনি পাবুংনা মমাংথোং গে লাউনা হাংদোরকখি। মহাক মচুম তানা কেরে। মশম-মনা নিংথিনা হাৎলি। ব্লু-ব্লেক্কী ছুট শেৎলি, অঙাংবগা হিগোক মচুগা লাংবা তাই অমা কি, অমুবা মচুগী লংত্রিক লংনা কাপ থারবা শঙন খোংউপ অমা তোংই। মকা লাম্না নোক্লদুনা 'হল্লো ...! মতমসে নহাক লাকপা মতম য়ৌরে খন্দনা কুমথরক্লিবনি। য়ু আর লাষ্ট গেষ্ট। ঐগীদি ভেরি ভেরি স্পেসিয়েল গেষ্টনি। ৱেল কম ৱেল কম!'

মহৌশাদগী হেনগৎনা বা-বা লাওরদুনা তরাম্না ওক্লকখি। হায়ফম তৌফম খংদে, মী খ্বাইনা হায়নরম্বা য়াই খন্দুনা, পূন্সিগী অহানবা ইন্টভিয়ু চংবদা কিথি কিরুম হায়খিবা অদুগুম খোন নিক্লপ্না হায়খি,'হেপ্পি বার্থ ডে, পাবুং!'

'হা হা হা! ঠেঙ্ক য়ু, ৱেল কম। মরূপ ময়ামদা নহাক্কী ৱারী তৌরম্লিবনি। ঙাইখোনহে ঐখোয়গী খবরসি মী ওন্থোক্লা য়াম্না পারমখ্রেনে। অয়ুক্তসু হৌজিক নুমিদাংগী লাক্লিবসিংসু নিংশিংবগী লুকমাইদো সি ঙাক্তা ঙাইখ্রে। লাকওসে ময়ামদা নহাকপু মশক তাক্কদৌরিবনিনে।' মখূৎ ওইনা খূৎ য়েৎসি তাপ পায়রগা কা মনুংদা চিংশিল্লি। থোংজাও লোন্সিনলম্লগা ষ্টেয়ার কাখৎলি। সেকেণ্ড ফ্লোর ওইগদবা মাল্লি (চুম্মী, কোন্না খংলকপনি)। অচৌবা কা অমদা মীয়ায় চল্লবা, ছুট টাই শেৎপা কেবা য়াবা কেরবা নুপা ময়াম অমা টেবল অমমমগী অকোয়বদা মফম অহুম মরী থোক্লা ফম্নরম্মী। পাবুংনা থোং হাংদোক্তুনা ঐগা খূৎ শম্নদুনা চংলকগী শহুম ফংবদা ময়াম তুমিন লৈখি, ঙম্নমক ঐখোয় অনীদা য়েঙলকখি।

'হল্লো ডিয়ার ফ্রেণ্ডস! (মহাক্লা ঐবু কৌবা মিং পল্লগা) হি ইজ মাই মোষ্ট জুনিয়ার, মোষ্ট লভলি ফ্রেণ্ড।' অহল ময়ামদুনা খুবাক প্রোক প্রোক খুরকখি। **লাই ইমো**

[illegible]

ইদিটরদা চেল্লকপা পাউথাং

[illegible]



লৌশিংগী পুক্কে - ১০২৭
০৮৯১/০২

কষ্টদিয়ান, ইথোক-হন্দোকপা ঃ চনম হেমচন্দ্র

খোইয়ম্ লাইথোঙ্ আফুল্পাপু।। সীনৌ লুমায়্।। খায়্।। সাৱা হংথোঙ্লেঙ্।। খোইয়ম্ লাইথোঙ্ হাংনা।। চীঙ্ঙু সামু হক্সাং পুনা।। মানলং ফেন্চি আোই।। খম্কোল্ নোংলয়্ মারাঙ্ হৌনা।। লাংপল্ চেঙ্কুম্ পান্তোম্কুম্।। তোম্সাৎনা।। সানা লুয়োন্ মাখুম্ হাং।। চী

খোইয়ম লাইথোঙ অফুলববু। শীনৌ লশিং তানৌবী লুমাই খায়গুম। শাৱা পৌরোল হাং। লেংথোং খোইয়ম লাইথোঙ থোংহাংনা। চীংঙু শামু হকচাং পুনা। মানলং ফেনচি ওইনা। খমকোল নোংলৈ নুংশিৎ মরাঙ হৌনা। লাংপল্ চেঙকুম চোংখৎলকপা পানতমগুম। তোমশাৎনা। সনা লুরোয় মাখুম হাং। চী

লমায় অসিদা ফোংলিবা ফিচর আর্টিকলশিংদা পিরিবা মত অমদি লৌরিবা ফিরেপশিং অইবা মশাগীন– ইদিটর